# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.051 | নিংথৌকাবা, কালেন ১৯ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, May 15, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## ভবানন্দ বি জে পিগী মীরেপ ওইরগনি

ইম্ফাল, মে ১৪ : রাজ্য সভাগী এম পি ওইরম্বা হাজি অব্দুল সলামনা লৈখিদ্রবা তুংদা হাঙদুনা লৈহৌরিবা ফম অসি মেনশিন্ননবা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সনদা বি জে পিগী ওইনা পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দ মীরেপ ওইরগনি। মহাক পার্টি অসিগী মীরেপ ওইননবা টিক্কেট পীরে হায়না পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী সেক্রেটরি জগৎ প্রসাদ নদ্দানা ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে। মীখল অসিগী মীরেপ চেপীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ হয়েং ওইবা মরম্না মহাক্কী মীরেপ চে হয়েং পীশিল্লগনি। অমরোমদা, কোংগ্রেসকী মীরেপ ঈ দ্বিজমনিগীসু হয়েং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

**গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি**

## HL POLL

**Q : Meeyamgi numit thouram na chaokhat thouranggi thabak toubada mashak thok-hanba ngamgadra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Lupa lakh kharagi mayai kaba chinjak police na faraga mayai kaba drug thingba ngamgani khanbra?**

Yes 13% No 87%

## অস! লোইরেহে!

অসুক য়াম্বা গুলিসিদি কৈদৌনবনো!



হিংবদা কান্নররোইদবা ইশাসি লানবীবা য়াব্রা য়েংগে তৌবনি...!

# মণিপুরগী শিখ্রবা স্পিন্নিং মিল হিঙ্গৎহল্লগনি : টি ঐচ বিশ্বজিৎ



ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস) : স্পিন্নিং মিল হিঙ্গৎহন্নবা অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংদা হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট ইম্পোরিয়ম হাংদোক্কবা হোৎনগনি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি উচেক্কোন লাইকোন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ফিশাবীশিংগী বেঙ্ক একাউন্ট হাংবা অমদি ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইল কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হেন্দলূম এন্দ হেন্দি-ক্রাফট ইম্পোরিয়ম লিংখৎনবা হোৎনগনি। মণিপুরগী হেন্দলূম অমদি হেন্দিক্রাফটকী পোত্থোকশিং অসি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানিংঙাই ওইরিবনি। কুমজা ২০০৯-১০ দা পাঙথোকখিবা হেন্দলূম সেন্সসতা মণিপুরগী ওইনা হেন্দলূম ৱার্কর লাখ ২.০৪ রোম লৈখি। মণিপুরনা ফিশাবী মশীং য়াম্না লৈবা ষ্টেট অমা ওইখি। ফিশা-লোনশা অমদি ক্রাফটসকী থবক অসি ষ্টেট অসিদা থবক য়াম্না পীরিবা সেক্টর অনীনি।

চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎপদা মীৎয়েং থল্লি হায়রদুনা মহাক্না হায়, লোইতাং খুনৌদা লৈরিবা স্পিন্নিং মিল অসি অনৌবা মেছিনশিং হাপচিন্দুনা হিঙ্গৎহন্নবগীদমক মীৎয়েং থল্লি। নোংমদা লং কেজি ৪০০ রোম পুথোক্নবা পান্দম থমগনি। ফিশাবীশিং অমদি আর্টিসানশিংগী দোর ষ্টেপতা ফিশানবগী লংনচিংবা দেলিভরি তৌনবগী থৌরাং পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট তাকয়েলপাৎতা পাৱর লূম অমদি সোলর পাৱর সিষ্টেম-শিং চল্লাইবা হৌরগনি। দাইয়িং অমদি প্রিন্টিংগী ইন্সটিট্যুট অমসু লিংখৎনবা হোৎনরি। মখা লামায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়াম উনগদবা মফম শেম শাবা লোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস) : মীয়ামগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা হয়েং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মীয়াম উনগদবা মফম সী এমগী বঙ্গলোদা শেম শাবা লোইখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো চঙবগী গেট ময়াদা পার্কিং ওইনা শীজিন্নরিবা পাক চাওরবা মফম অদু মীয়াম তিনবা য়াননবা পাখন খনবা লোইখ্রে। হয়েং অয়ুক পুং ১০ তাবদগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা চীফ মিনিষ্টরনা মফম অদুদা ফম্লগা মীয়ামগা উনগদৌরি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার সী অর্থর ৱোরচুইয়োনা পুংফম অসিদা হয়েং মীয়ামগা উনগদৌরি। মীয়াম্না মহাকপু উননিংবা লৈরগদি লম্ফেল-পাৎতা লৈবা দি সী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## লুপা ২২,২৫০ পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ : খুন্দ্রাকপম খুল নম্বর ১১গী মনুংদা লম একর ০.৪৬ পাক চাওবা মফম অমগী মিং ওন্থোক-ওনশিন তৌবগা মরী লৈনবা ৱারম তরেৎকী মতাংদা আর টি আইগী খুত্থাংদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরক্তবগী মরী লৈনবা সগোলমাংগী এস পি আই ও/এস দি সী, এম সুরঞ্জয়দা লুপা ২২,২৫০ পীখিনবা মণিপুর ...মখা লামায় ৩ কলম ৬


**LOAN AVAILABLE**

- মখল খুদিংগী অপাম্না 2, 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমম্লুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

**AREA COVERED:**
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1593/14 May-14 June

HL-B/3869/15





